লৈঙাক্লা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীরবদি ওলিম্পিক্সতা গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্নবা কন্না হোৎনগনি : বুধচন্দ্র নোংথোম্বম

অলকা থোকচোম

ইম্ফাল, মার্চ ২৪ (ঐচ এন এস): স্বিম্মিংগী মশান্না অমা ওইরিবা ফিনস্বিম্মিং ওলিম্পিক গেমসতা য়াওবা মশান্না অমনি। মশান্না অসিগী ওইনা ওলিম্পিক্সতা গোল্ড মেদল লৌবা হায়বসি ঐগী অপাম্বনি অমদি ঙম্নবসু হোৎনগনি। মশান্না অসিদা লৈঙাক্লা অতৈ অতোপ্পা মশান্নশিংদা পীরিবা ফেসিলিটি অদুগুম খজিক মীৎয়েং চঙদুনা পীবীরবা অমদি কোচ মতিক চানা থন্বীরবদি শোয়দনমক্কী ওলিম্পিক্সতা গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্নবা কন্না হোৎনগনি হায়না শুপ্নতগী মশাগী চহী ১৪ খক্তমক ঙাইরিবা শান্নরোয় বুধচন্দ্র নোংথোম্বমনা ফোঙদোরক্লি।

ফিনস্বিম্মিং হায়রিবা মশান্না অসি ওলিম্পিক গেমসতা য়াওজরবসু মণিপুরগী ওইনদি অনৌবা মশান্না অমা ওইরি। মশান্না অসি ঈশিং মনুংদা টেক্নিক মখল-মখল তৌদুনা চাংদম্নবা মশান্না অমনি। মণিপুরদা লৈঙাক্কী কোলেজ কয়াদা অমদি খুমন লম্পাক্কী সাই কমপ্লেক্সতা স্বিমিং পূলশিং থন্বীবনা মশান্না অসিবু পামজবা শান্নরোয় কয়া অমদি মফমশিং অসিদা লাক্লগা প্রেক্টিস তৌদুনা ইন্টর স্কুল, কোলেজ, নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শান্নরোয় কয়া লমদমসিগী মিংচৎ পুদুনা লাক্লি। মশান্না অসিগী শান্নরোয়শিংগী মনুংদা মমাং চহীদা পুনেদা পাঙথোকপা নেসনল ফিন স্বিম্মিং চেম্পিয়নশিপতা বুধচন্দ্রনা গোল্ড মেদল অমা, সিলভর মেদল অনী ফংবা ঙমখি। অদুগা কুমজা ২০১৯দা মালেসিয়াদা পাঙথোকখিবা আইরন কিদ চেম্পিয়নশিপতা মহাক্লা ফিনিশর মেদল লৌবা ঙমখি। মতমদুদা মহাক মশাগী চহী ৯ খক্তা ঙাইরিবনি।

বুধচন্দ্র হৌজিক-হৌজিকইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা জে এন ভি য়ারলপাৎতা ক্লাস আইট খক্তমক তম্লিবা মহৈরোয় অমনি। মশাগী চহী ৯ খক্তমক ঙাইরিঙৈদগী মহাক শান্নবগী লম্দা খোঙ থাংজিল্লকখিবনি। অঙাং ওইনা য়াওশঙগী স্পোর্টসতা য়াম্না থৱায় য়াওনা হৌরকপদগী মপাবুংনা মচাবু শান্নবগী লম্বীদা খোঙ থাংজিলহল্লকখিবনি। মহাক অহানবদা ওজা আর কে শিতলজিৎ অমদি পি ঐচ দেনিশকী মখাদা সাইক্লিং শান্নদুনা ষ্টেট লেভেল মাউন্টেন বাইকিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াখ্রে। মতম খরা সাইক্লিং শান্নরম্লবা তুংদা খূদোংচাদবা খরা লৈরকপদগী স্বিম্মিংদা ওজা ধমেন, বিজ্ঞানেদা অমসুং লেম্বগী মখাদা শান্নবা হৌরকখি। মশান্না অসিদা কুমজা ২০১৯দগী হৌনা মহাক মেদল কয়া ফংখ্রে। সাইদগী মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা নেসনল গেমসতসু মেদল কয়া ফংখ্রে। ইন্টর স্কুল টুর্নামেন্টতসু মেদল লৌবা ঙমখ্রে। কুমজা ২০১৯দা ষ্টেট লেভেল স্বিম্মিং চেম্পিয়নশিপ অমগী সেলেক্সন ফংদুনা বেঙ্গলোরদা শান্নবা চৎকদবা অদু কোরোনা পেন্দমিকনা মরম ওইরগা চৎপা ফংখিদে।

অমরোমদা, চহী নৌরিবা শান্নরোয় বুধচন্দ্রনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না সাই খুমন লম্পাক্তা লৈদুনা লেপ্তুনা প্রেক্টিস তৌবা হৌখি। মদুদগী ষ্টেট রিপ্রজেন্ট তৌদুনা ভুবনেশ্বরদা শান্নবা চৎখি। অদুবু কন্না হোৎনরবসু মেদল লৌবদি ঙমখিদে। নেসনল গেমসতসু সেলেক্সনদি অদুম ফংলগা মেদল লৌবদি ঙমখিদে। কুমজা ২০২৩দা ফিনস্বিম্মিংদা মহাক্লা ইভেন্ট অহুমদা শরুক য়াখি। মহাক্লা শরুক য়াখিবা ইভেন্টশিং অদুগী ওইনা মিটর ৫০গী ফ্রীষ্টাইলদা গোল্ড অমা, মিটর ১০০ অমসুং মিটর ২০০গী ফ্রীষ্টাইলদা সিলভর অমমম্ লৌবা ঙমখি। মরকসিদা ষ্টেট লেভেল কয়াদা অয়াম্বনা চেম্পিয়ন ওইদুনা নেসনল লেভেলদা অদুম সেলেক্সন ফংখি। অদুবু নেসনলগী থাক য়ৌরকপদদি ময়ামগা কম্পিট তৌনবদা অৱাবা ওইখি। মরমদি মশান্না অসি মণিপুরদা অদুক্কী মতিক নৌবা মশান্না হায়বদু ওইরি। নেসনলগী থাক্তসু মণিপুরনা পার্টিসিপেট তৌবসি অনীরক খক্তমক শুরি। অদুনা মশান্না অসিগী ওইবা মণিপুরদা কোচ নীংথিনা লৈতে। মহাকসু লন্নাই ওইনা মহাক্কী স্বিম্মিংগী ওজা লাইতোঞ্জম সন্তোশতা হৌজিক-হৌজিক তম্লি। মণিপুরদা ফিনস্বিম্মিংগী শান্নরোয় ২৪/২৫ রোমতমক লৈ। মশান্না অসি মণিপুরদা য়াম্না নৌরিবা অমা ওইবনা লৈঙাক্লসু মীৎয়েং চঙবীবা লৈতে অমদি শান্নরোয়শিংদা অহেনবা দাইট অমসুং মথৌ তাবশিং ফংহনবা লৈত্রি। কা-হেনবা খূদোংচাবশিং পীবীদ্রবসু স্বিম্মিং পূল থন্বীরিবশিং অসিদি খজিক্তং চাং নাইনা শেংদোকহন্নিংই অমদি পূল অসিদা অতৈ-অতৈ ষ্টেটশিংদা তৌনরিবা মওংগুম কেমেরা হাপ্পা, পম্প, ফিল্টর, সেনিটাইজেসন, ফিল্ট্রেসন, হিটরনচিংবা খরা নীংথিনা শেমগৎপীরবদি প্রেক্টিস তৌবদা খূদোংচাদবা অমদি নেসনলগী থাক্তা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী শান্নরোয়শিংগা লম্বা তৌনবদা শোথহৌরিবা কয়া অদু খরদা ওইরবসু মেনখৎপা ঙমগনি হায়বগী চাওনা থাজবা লৈ হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা হন্দক চৎখিবা নেসনল চেম্পিয়নশিপ অদুগীদমক প্রেক্টিস তৌনবা হোৎনবদা অদুক্কী মতিক ৱাখি। অয়ূক্তা প্রেক্টিস তৌবা চৎলনি, খূদক্তা বন্দ তৌশিল্লক্তুনা অমুক যূমদা হনবা য়াদদুনা য়াম্না ৱানা হল্লকখিবসু কয়ানি। অদুগা বন্দ অমদি অথিংবা কয়ানা মরম ওইরগা প্রেক্টিস মরাং কাইনা চৎপসু ফংখিদে। যূমদা স্বিম্মিং পূলগুম্বসু লৈবা নৎতবনিনা মশান্না অসিগীদমক্তি ইশানা ফনা প্রেক্টিস তৌনিংলবসু স্বিম্মিং পূল নৎত্রবদি য়াদবনিনা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি।

মহাক্লা হায়, হৌজিক শান্নরোয়শিংনা পাল্লিবদি লৈঙাক্লা লান অসি লোইশিনবীদুনা প্রেক্টিস তৌফম খঙদনা কক্ঙাওনদুনা লৈরিবা শান্নরোয়শিং অসিনা থেংনরিবা খূদোংচাদবশিং কোকহনবনি। লৈবাক অসিগী ওইনা চেম্পিয়নশিপ য়াম্না তোয়না শীনবনা মরম ওইরগা প্রেক্টিস ফাওবদি মরাং কাইনা অমদি ৱাখল লৈতানা তৌনবা হোৎনবীয়ু। অদুগা হৌজিক লৈরিবা স্বিম্মিং পূল অসিসু য়াম্না শাথীনা মোৎলে। ইক্বিপমেন্টশিং মরাং কাইনা থন্বা ঙমদ্রবসু য়ারগদি পূলশিং অসি তোয়না শেংদোকপীবা নৎত্রগনা পূল অসিসু ইন্দোরদা ওইনা শেমহন্নীংই। মরমদি য়াম্না তোয়না মোৎলকপনিনা প্রেক্টিস তৌবসু ঙমদ্রে। অসিগুম্বা অহোবা মচা-মচা কয়া লৈরিবা অসি মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং খজিক্তা ওইরবসু চঙবীরবদি কক্ঙাওনদুনা লৈরিবা শান্নরোয় কয়াদা অনৌবা ঈনোৎ অমা পীবা ঙমগনি হায়না খল্লি। লোয়ননা য়ারগদি অফবা কোচ ১/২দা ওইরবসু লৈঙাক্লা থম্নবা হোৎনবীয়ু হায়না চহী নৌরিবা শান্নরোয় অসিনা মরী লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

পনবা য়াবদি, বুধচন্দ্র নোংথোম্বম থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকাইদগী নোংথোম্বম কমলকান্ত অমসুং খুরাইজম রোশনী চনুগী মচানুপানি।

অহানবা চীফ মিনিষ্টর অমসুং ১৪রক শুবা লোক্তাক ট্রোফি

এস য়ু সগোলবন্দনা জি দি সী থিনুঙ্গৈবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৪ (ঐচ এন এস): এন ঐচ পি সী লিমিটেদ লোক্তাক পাৱর ষ্টেসননা স্পোন্সর তৌরগা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিএসন (অমোফা)না শীন্দুনা টিম ১২না গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরিবা অহানবা সী এম অমসুং ১৪রক শুবা লোক্তাক ট্রোফি ২০২৩-২৪গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এস য়ু সগোলবন্দনা জি দি সী থিনুঙ্গৈবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

মোইরাং মল্টিপর্পজ গ্রাউন্দদা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী হৌরগা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপদা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবদগী অমনা অমবু মায়থীবা পীনবা হোৎনখিবশিং অরেম্বদা তাখি। মেটচ অদুগী ৩১ শুবা মিনটতা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী টি থোইনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। ইকান কান্নদনা মেটচ অদুগী ৪২শুবা মিনটতা জি দি সীগী বিকাশনা মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-১দা মান্ননা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা হৌরকখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী ৬১ অমসুং ৮৩শুবা মিনটতা মথংশিংনা রঞ্জন অমসুং বিজেশ্বরনা পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখি। জি দি সীগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুমওইনমক মেটচ লোইবা ফাওবদা জি দি সীগী ওইনা মখা তানা পাঞ্জলশিং চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু এস য়ু সগোলবন্দনা পাঞ্জল ৩-১দা মায় পাকখিবনি।

টি সী এম দি সীগী শান্নরোয়শিং অমদি কোচশিং সর্টিফিকেট অমদি কেশ এৱার্দ পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখ্রে

Reception Programme
TCMDC CRICKET TEAM
TCMDC
CHAMPIONS
Rs 50,000

ইম্ফাল, মার্চ ২৪ (ঐচ এন এস): থোংজু চিগোংলৈ মখোঙ দিভলপমেন্ট ক্লব (টি সী এম দি সী)গী শান্নরোয়শিং অমদি কোচশিংবু ঙসি সর্টিফিকেট অমদি কেশ এৱার্দশিং পীদুনা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

টি সী এম দি সীনা শীন্দুনা ঙসি ক্লব অসিগী শান্নবুংদা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অদুদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ২শুবা অন্দর-১৯ বোইজ ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা ক্লব অসিগী শান্নরোয়শিংবু তরাম্না ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখিবনি। মসিদা নৎতনা বি সী সী আইগী মীৎয়েং মখাদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা বিজয় মর্চেন্ট ট্রোফিদা মণিপুরগী টিমদা য়াওখিবা ক্লব অসিগী শান্নরোয় অহুমসু ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা তরাম্না ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখি। মণিপুরগী টিমদা শরুক য়াখিবা ক্লব অসিগী শান্নরোয় অহুম অদুদি রেন উরিকখিনবম, ঙানবা তখেল্লম্বম অমসুং লাইশ্রম ভলেন্দ্রনি। মখোয় অহুমগী মতুংদা উরিকখিনবম রেনদি অন্দর-১৯গী নেসনল কোচিং একাদেমিদা মখা তানা কোচিং তৌনবগীদমক খনখ্রে হায়রি।

নুমিৎ ৫নি চথুরকখিবা ফেষ্টিভেল ওফ থাঙ-তা মার্সিএল আর্টস লোইশিনখ্রে

Heibok Ningthou Thang-Ta Association

ইম্ফাল, মার্চ ২৪ (ঐচ এন এস): হৈবোক নিংথৌ থাঙ-তা এসোসিএসন হিয়াংথাং তখেল্লম্বম অমদি এসোসিএসন ফোর থাঙ-তা মার্সিএল আর্টস হিয়াংথাং অনীনা খূৎশম্নদুনা থা অসিগী ২০দগী হৌরগা চথুরকখিবা নুমিৎ ৫নিগী ওইবা ফেষ্টিভেল ওফ থাঙ-তা ঙসি লোইশিনখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা লোইশিনবগী থৌরম অদুদা নোংথোম্বম নোরেন মীতৈ, প্রিন্সিপাল লুৱাং থাঙ-তা একাদেমি খুরাই সাজোর লৈকাই; শগোলশেম নিংথেমজাও, ভাইস প্রসিদেন্ট হৈবোক নিংথৌ থাঙ-তা এসোসিএসন হিয়াংথাং তখেল্লম্বম; হুইদ্রোম সুর্জিৎ মৈতৈ, সেক্রেটরি কংলৈপাক থাঙ-তা এন্দ কলচরেল এসোসিএসন লাইরিকয়েংবম অৱাং লৈকাই অমদি অথোকপম রোমিও, সোসল ৱর্করনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা লেংবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা মীথুংলেনশিংনা ফেষ্টিভেল অদুদা য়াওখিবা থাঙ-তাগী শান্নরোয়শিংদা সর্টিফিকেটনচিংবা মনা-মথুমশিং য়েন্থোকপগা লোয়ননা থাঙ-তাগী শান্নরোয়শিংনা মখল কয়াগী হৈ-শিংবশিং ঙসিগী থৌরমদুদা তিনখিবা মীওইশিংগী মমাংদা উৎখি। ফেষ্টিভেল অসিদা ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা থাঙ-তাগী শীন্দমশঙ তরেৎতগী লাকখিবা শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াখি।

শরুক য়াখিবা শীন্দমশঙশিং অদুদি লুৱাং থাঙ-তা একাদেমি, কংলৈপাক থাঙ-তা এন্দ কলচরেল এসোসিএসন, হৈবোক নিংথৌ থাঙ-তা এসোসিএসন, হুয়েল লানলোং থাঙ-তা এসোসিএসন, থাঙ-তা মহৈকোল, এসোসিএসন ফোর থাঙ-তা মার্সিএল আর্টস অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা এসোসিএসিননি।

ꯑꯍꯥꯟꯕ ꯆꯤꯐ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯱꯴ꯔꯛ ꯁꯨꯕ ꯂꯣꯛꯇꯥꯛ ꯇ꯭ꯔꯣꯐꯤ

ꯑꯦꯁ ꯌꯨ ꯁꯒꯣꯜꯕꯟꯗꯅꯥ ꯖꯤ ꯗꯤ ꯁꯤ ꯊꯤꯅꯨꯡꯉꯩꯕꯨ ꯄꯥꯡꯖꯜ ꯳-꯱ꯗ ꯃꯥꯏꯊꯤꯕ ꯄꯤꯈ꯭ꯔꯦ

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯃꯥꯔꯆ ꯲꯴ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ): ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯆ ꯄꯤ ꯁꯤ ꯂꯤꯃꯤꯇꯦꯗ ꯂꯣꯛꯇꯥꯛ ꯄꯥꯋꯔ ꯁ꯭ꯇꯦꯁꯟꯅ ꯁ꯭ꯄꯣꯟꯁꯔ ꯇꯧꯔꯒꯥ ꯑꯣꯜ ꯃꯣꯏꯔꯥꯡ ꯐꯨꯠꯕꯣꯜ ꯑꯦꯁꯣꯁꯤꯑꯦꯁꯟ (ꯑꯃꯣꯐꯥ)ꯅ ꯁꯤꯟꯗꯨꯅ ꯇꯤꯝ ꯱꯲ ꯅ ꯒ꯭ꯔꯨꯞ ꯴ ꯊꯣꯛꯂꯥ ꯈꯥꯏꯗꯣꯛꯇꯨꯅ ꯆꯠꯂꯤꯕ ꯑꯍꯥꯟꯕ ꯁꯤ ꯑꯦꯝ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯱꯴ꯔꯛ ꯁꯨꯕ ꯂꯣꯛꯇꯥꯛ ꯇ꯭ꯔꯣꯐꯤ ꯲꯰꯲꯳-꯲꯴ꯒꯤ ꯉꯁꯤ ꯁꯥꯟꯅꯈꯤꯕ ꯃꯦꯆ ꯑꯃꯗ ꯑꯦꯁ ꯌꯨ ꯁꯒꯣꯜꯕꯟꯗꯅ ꯖꯤ ꯗꯤ ꯁꯤ ꯊꯤꯅꯨꯡꯉꯩꯕꯨ ꯄꯥꯡꯖꯜ ꯳-꯱ ꯗ ꯃꯥꯏꯊꯤꯕ ꯄꯤꯈꯔꯦ॥

ꯃꯣꯏꯔꯥꯡ ꯃꯜꯇꯤꯄꯔꯄꯣꯖ ꯒ꯭ꯔꯥꯎꯟꯗꯗ ꯉꯁꯤ ꯅꯨꯡꯊꯤꯜ ꯄꯨꯡ ꯲.꯳꯰ ꯇꯥꯕꯗꯒꯤ ꯍꯧꯔꯒꯥ ꯇꯤꯝ ꯑꯅꯤꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇ ꯁꯥꯟꯅꯈꯤꯕ ꯃꯦꯆ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯍꯧꯒꯠꯂꯛꯄꯗ ꯅꯥ-ꯀꯜ ꯑꯅꯤꯃꯛꯀꯤ ꯁꯥꯟꯅꯔꯣꯏꯁꯤꯡꯅ ꯍꯦ-ꯁꯤꯡꯕ ꯃꯥꯟꯅꯅ ꯁꯥꯟꯅꯕ ꯉꯃꯈꯤꯕꯗꯒꯤ ꯑꯃꯅ ꯑꯃꯕꯨ ꯃꯥꯏꯊꯤꯕ ꯄꯤꯅꯕ ꯍꯣꯠꯅꯈꯤꯕꯁꯤꯡ ꯑꯔꯦꯝꯕꯗ ꯇꯥꯈꯤ॥ ꯃꯦꯆ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯳꯱ ꯁꯨꯕ ꯃꯤꯅꯤꯠꯇ ꯁꯒꯣꯜꯕꯟꯗ ꯌꯨꯅꯥꯏꯇꯦꯗꯀꯤ ꯇꯤ ꯊꯣꯏꯅ ꯑꯍꯥꯟꯕ ꯄꯥꯡꯖꯜ ꯆꯟꯕ ꯉꯃꯈꯤ॥ ꯏꯀꯥꯟ ꯀꯥꯟꯅꯗ ꯃꯦꯆ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯴꯲ ꯁꯨꯕ ꯃꯤꯅꯤꯠꯇ ꯖꯤ ꯗꯤ ꯁꯤꯒꯤ ꯕꯤꯀꯥꯁꯅ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯥꯌꯣꯛꯇ ꯆꯟꯁꯤꯟꯈꯤꯕ ꯄꯥꯡꯖꯜ ꯑꯗꯨ ꯍꯟꯗꯣꯛꯇꯨꯅ ꯑꯍꯥꯟꯕ ꯍꯥꯐ ꯂꯣꯏꯕ ꯐꯥꯑꯣꯕꯗ ꯄꯥꯡꯖꯜ ꯱-꯱ ꯗ ꯃꯥꯟꯅꯅ ꯂꯩꯈꯤ॥

ꯑꯅꯤꯁꯨꯕ ꯍꯥꯐ ꯁꯥꯟꯅꯈꯤꯕ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅ ꯁꯒꯣꯜꯕꯟꯗ ꯌꯨꯅꯥꯏꯇꯦꯗꯀꯤ ꯁꯥꯟꯅꯔꯣꯏꯁꯤꯡꯅ ꯕꯣꯜ ꯈꯔ ꯍꯦꯟꯅ ꯄꯥꯏꯗꯨꯅ ꯂꯥꯛꯆꯅ ꯁꯥꯟꯅꯕ ꯍꯧꯔꯀꯈꯤ॥ ꯃꯗꯨꯅ ꯃꯔꯝ ꯑꯣꯏꯔꯒꯥ ꯃꯦꯆ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯶꯱ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯸꯳ ꯁꯨꯕ ꯃꯤꯅꯤꯠꯇ ꯃꯊꯪꯁꯤꯡꯅ ꯔꯟꯖꯟ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯕꯤꯖꯦꯁ꯭ꯋꯔꯅ ꯄꯥꯡꯖꯜ ꯑꯃꯃꯝ ꯆꯟꯕ ꯉꯃꯈꯤ॥ ꯖꯤ ꯗꯤ ꯁꯤꯒꯤ ꯃꯥꯏꯀꯩꯗꯒꯤ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯥꯌꯣꯛꯇ ꯆꯟꯁꯤꯟꯈꯤꯕ ꯄꯥꯡꯖꯜꯁꯤꯡ ꯑꯗꯨ ꯍꯟꯗꯣꯛꯅꯕꯗ ꯌꯥꯝꯅ ꯀꯟꯅ ꯍꯣꯠꯅꯈꯤ॥ ꯑꯗꯨꯃꯑꯣꯏꯅꯃꯛ ꯃꯦꯆ ꯂꯣꯏꯕ ꯐꯥꯑꯣꯕꯗ ꯖꯤ ꯗꯤ ꯁꯤꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅ ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯅ ꯄꯥꯡꯖꯜꯁꯤꯡ ꯆꯟꯕ ꯉꯃꯈꯤꯗꯕꯗꯒꯤ ꯃꯦꯆ ꯑꯗꯨ ꯑꯦꯁ ꯌꯨ ꯁꯒꯣꯜꯕꯟꯗꯅ ꯄꯥꯡꯖꯜ ꯳-꯱ ꯗ ꯃꯥꯏ ꯄꯥꯛꯈꯤꯕꯅꯤ॥

ফুটবোল্লর হিজম সনাথোই তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৪ (ঐচ এন এস): য়ং লর্নরস লাইব্রেরি এন্দ লীদিং ওর্গনাইজেসন (য়োল্লো)না শীন্দুনা ঙসি কৈবীদা লৈবা য়োল্লোগী কমপ্লেক্সতা ৭৭লক শুবা সন্তোশ ট্রোফিদা গোল্ডন বুট অমদি তোপ স্কোররগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা ফুটবোল্লর ফিজম সনাথোই মীতৈবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মচীন তুমখৎলক্লিবা ফিজম সনাথোইদা পূক্নিং থৌগৎপগী ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা তোঙান-তোঙানবা টুর্নামেন্টশিংদসু মায় পাক্লা শান্নদুনা লমদমসিগী মিংচৎ পুরকপা ঙম্নবা য়াইফ থৌজাল পীনখি।

ফিজম সনাথোইনা ফুটবোল মশান্না অসিগী ওইনা ফংখিবা এচিভমেন্টশিংগী মনুংদা হন্দক্তা অরুনাচল প্রদেশকী ইটানগরদা পাঙথোকখিবা ৭৭লক শুবা সন্তোশ ট্রোফি নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২৪দা গোল্ডন বুট অমসুং তোপ স্কোররগী টাইটল লৌবা ঙমখি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা সনাথোই মীতৈনা পূন্না পাঞ্জল ১১ চনবা ঙমখি। মসিদা নৎতনা হন্দক্তা লোইশিনখিবা নাগালেন্দদা পাঙথোকখিবা ৩লক শুবা নোর্থ ইষ্ট গেমস ২০২৪দসু সনাথোই মীতৈনা বেষ্ট প্লেয়র অমসুং তোপ স্কোররগী টাইটল লৌবা ঙমখি। নোর্থ ইষ্ট গেমসতা সনাথোই মীতৈনা পূন্না পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি। মসিদা নৎতনা গোৱাদা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা নেসনল গেমস ফুটবোলদসু সনাথোই য়াওবা মণিপুরগী টিমনা রন্নর্স অপ তাবা ঙমখিবনি হায়না য়োল্লো ক্লবকী সেক্রেটরি এ দেনিএলনা খূৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ꯐꯨꯠꯕꯣꯜꯂꯔ ꯍꯤꯖꯝ ꯁꯅꯥꯊꯣꯏ ꯇꯔꯥꯝꯅꯥ ꯑꯣꯛꯈ꯭ꯔꯦ

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯃꯥꯔꯆ ꯲꯴ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ): ꯌꯪ ꯂꯔꯅꯔꯁ ꯂꯥꯏꯕ꯭ꯔꯦꯔꯤ ꯑꯦꯟꯗ ꯂꯤꯗꯤꯡ ꯑꯣꯔꯒꯅꯥꯏꯖꯦꯁꯟ (ꯌꯣꯂꯣ)ꯅ ꯁꯤꯟꯗꯨꯅ ꯉꯁꯤ ꯀꯩꯕꯤꯗ ꯂꯩꯕ ꯌꯣꯂꯣꯒꯤ ꯀꯝꯞꯂꯦꯛꯁꯇ ꯷꯷ꯂꯛ ꯁꯨꯕ ꯁꯟꯇꯣꯁ ꯇ꯭ꯔꯣꯐꯤꯗ ꯒꯣꯜꯗꯟ ꯕꯨꯠ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯇꯣꯞ ꯁ꯭ꯀꯣꯔꯔꯒꯤ ꯇꯥꯏꯇꯜ ꯂꯧꯕ ꯉꯃꯈꯕ ꯐꯨꯠꯕꯣꯜꯂꯔ ꯐꯤꯖꯝ ꯁꯅꯥꯊꯣꯏ ꯃꯤꯇꯩꯕꯨ ꯇꯔꯥꯝꯅ ꯑꯣꯛꯄꯒꯤ ꯊꯧꯔꯝ ꯑꯃ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯈꯔꯦ॥

ꯇꯔꯥꯝꯅ ꯑꯣꯛꯄꯒꯤ ꯊꯧꯔꯝ ꯑꯗꯨꯗ ꯁꯔꯨꯛ ꯌꯥꯈꯤꯕꯁꯤꯡꯅ ꯃꯆꯤꯟ ꯇꯨꯝꯈꯠꯂꯛꯀꯤꯕ ꯐꯤꯖꯝ ꯁꯅꯥꯊꯣꯏꯗ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡ ꯊꯧꯒꯠꯄꯒꯤ ꯋꯥꯐꯝ ꯀꯌꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯈꯤꯕꯒꯥ ꯂꯣꯌꯅꯅ ꯂꯥꯛꯀꯗꯧꯔꯤꯕ ꯇꯣꯡꯥꯟ-ꯇꯣꯡꯥꯟꯕ ꯇꯨꯔꯅꯥꯃꯦꯟꯇꯁꯤꯡꯗꯁꯨ ꯃꯥꯌ ꯄꯥꯛꯂ ꯁꯥꯟꯅꯗꯨꯅ ꯂꯝꯗꯝꯁꯤꯒꯤ ꯃꯤꯡꯆꯠ ꯄꯨꯔꯀꯄ ꯉꯝꯅꯕ ꯌꯥꯏꯐ ꯊꯧꯖꯥꯜ ꯄꯤꯈꯤ॥ ꯐꯤꯖꯝ ꯁꯅꯥꯊꯣꯏꯅ ꯐꯨꯠꯕꯣꯜ ꯃꯁꯥꯟꯅ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅ ꯐꯪꯈꯤꯕ ꯑꯦꯆꯤꯕꯃꯦꯟꯇꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯍꯟꯗꯛꯇ ꯑꯔꯨꯅꯥꯆꯜ ꯄ꯭ꯔꯗꯦꯁꯀꯤ ꯏꯇꯥꯅꯒꯔꯗ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯈꯤꯕ ꯷꯷ꯂꯛ ꯁꯨꯕ ꯁꯟꯇꯣꯁ ꯇ꯭ꯔꯣꯐꯤ ꯅꯦꯁꯅꯦꯜ ꯐꯨꯠꯕꯣꯜ ꯆꯦꯝꯄꯤꯌꯟꯁꯤꯞ ꯲꯰꯲꯴ ꯗ ꯒꯣꯜꯗꯟ ꯕꯨꯠ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯇꯣꯞ ꯁ꯭ꯀꯣꯔꯔꯒꯤ ꯇꯥꯏꯇꯜ ꯂꯧꯕ ꯉꯃꯈꯤ॥ ꯆꯦꯝꯄꯤꯌꯟꯁꯤꯞ ꯑꯁꯤꯗ ꯁꯅꯥꯊꯣꯏ ꯃꯤꯇꯩꯅ ꯄꯨꯟꯅ ꯄꯥꯡꯖꯜ ꯱꯱ ꯆꯟꯕ ꯉꯃꯈꯤ॥ ꯃꯁꯤꯗ ꯅꯠꯇꯅ ꯍꯟꯗꯛꯇ ꯂꯣꯏꯁꯤꯟꯈꯤꯕ ꯅꯥꯒꯥꯂꯦꯟꯗꯗ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯈꯤꯕ ꯳ꯂꯛ ꯁꯨꯕ ꯅꯣꯔꯊ ꯏꯁ꯭ꯠ ꯒꯦꯃꯁ ꯲꯰꯲꯴ ꯗꯁꯨ ꯁꯅꯥꯊꯣꯏ ꯃꯤꯇꯩꯅ ꯕꯦꯁ꯭ꯠ ꯄ꯭ꯂꯦꯌꯔ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯇꯣꯞ ꯁ꯭ꯀꯣꯔꯔꯒꯤ ꯇꯥꯏꯇꯜ ꯂꯧꯕ ꯉꯃꯈꯤ॥

Likla™
Likla
MANGO DRINK
₹10 ONLY
READY TO SERVE FRUIT DRINK
NET QUANTITY 160ml
ꯂꯤꯛꯂꯥ
Promote Local Farmers
Support Local Industries
Likla PINEAPPLE
Likla MANGO
Thangjam Agro
HL-B/8592/1/3-29/3 (alt)

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 1087

Pablo Perez Berroth (867) - Ali Tayyib Aksit (725)
Stuttgart-chC int Ditzingen (3), 2014.05.29

1.e4 e5 2.d4 Bd6 3.Nf3 Nc6 4.Bc4 h6 5.O-O Nf6 6.Nc3 O-O 7.Bd2 Qe7 8.d5 Nd4 9.Be3 Bc5 10.Bxd4 exd4 11.Nxd4 Nxe4 12.Na4 Bd6 13.Re1 Qh4 14.Nf3...

QUESTION :

Black to win

Puzzle 1086 Solution :

46. …b4 The black pawn deflects White's pawn away from protecting the square d4.
Your moves:46...Qd4+
Your moves:46...Qd1+
47. cxb4 Qd4+ The black queen forks White's king and bishop.
48.Kf1 Qxf4
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com